# য়ু এন চীফনা মিলিটরিদা শুপ্পমগী থৌওং লেপ্পবা তকশিনখ্রে, ব্লিনকননা এক্সন লৌখৎলগনি হায়খ্রে




জিনিভা, ফেব্রুৱারী ২২ (এজেন্সী) :
চয়োল অহুমগী মমাংদা কু চখ্রদুনা পৱার পায়শিনখিবা ম্যান্মারগী মিলিটরিদা য়ু এনগী চীফ সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেসনা গুপ্পমগী থৌওং লেপ্পবা অমসুং ফাজিনখিবা মীওইশিং থাদোক্লবা তকশিনখ্রে।

জিনিভাদা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলদা ৱা ঙাঙলদুনা গুটেরেসনা হায়খি, ম্যান্মারদা মিলিটরিনা দিমোক্রেসিগী চাং তাহনবা, ফোর্স শীজিন্নবা, মরম চাদনা মী ফাবনচিংবা মওং খুদিংমক্কী শুপ্পমগী থবকশিং চত্থবা ঐখোয়না উরে।

মীয়াম্বু অনিংবা অপাম্বা ফোঙদোকপদা অথিংবা থম্বা, সিভিল সোসাইটিদা এটেক তৌবা, রোহিঞ্জাশিংবু তুম্না মাঙহন্নবা হোৎনবা য়াওনা মাইনোরিটিশিংগী মায়োক্তা শাথিবা মওংগী ভাইওলেন্স চত্থবা অসিগুম্বা কয়া ম্যান্মারদা চত্থরে।

খুদক্তা শুপ্পমগী থৌওং লেপ্পবা, প্রিজনরশিং থাদোক্লবা, হ্যুমেন রাইটস অমদি হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মীখলগী রিজল্টশিং ঈকায়খুম্নবা ঙসি ম্যান্মারগী মিলিটরিদা ঐহাক্না আপীল তৌরি হায়না য়ু এন চীফনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিনকননসু মিলিটরি কুগী মায়োক্তা য়ানিংদবা উৎখিবা মীওইশিংবু তমথিবা মওংদা লাকশিন্নবা হোৎনরিবা ম্যান্মারগী ওথোরিটিশিংগী মায়োক্তা মশক থোকপা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়খ্রে। পুলিস অমসুং অর্মীনা প্রোটেষ্টর অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হায়খিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি।

ফেব্রুৱারী ১ দা পাঙথোকখিবা কু হন্দোক্লবা অমসুং ফাজিনখিবা ইলেক্তেদ লিদর অমসুং নোবেল লোরিএট ওং সান সু চি থাদোক্লবা তকশিল্লদুনা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা সিভিল দিসওবিদিয়েন্স মুভমেন্ট অমসুং প্রোটেষ্টশিং ম্যান্মারগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থিংবা ঙমদ্রি।

দেমোক্রেটিক মীখল পাঙথোক্তুনা শেমখিবা গভর্ণমেন্ট অমুক হন্না লৈহন্নবা তকশিন্দুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা ম্যান্মারগী মীয়ামগী মায়োক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মখা তানা অকনবা এক্সন লৌখৎখিগনি হায়না ব্লিনকননা ত্বিটর পোষ্ট অমদা ফোঙদোকখি। য়ু এসনা ম্যান্মারগী মীয়ামগীদমক্তা লেপ্লি হায়বা ৱাফমসু ব্লিনকননা পনখি।

বর্মা হায়নসু খঙনবা ম্যান্মারগী এক্তিং প্রসিদেন্ট অমসুং মিলিটরি ওফিসর কয়া য়ু এসনা শেল থুমগী অথিংবা কয়া থমখ্রবা মতুংদা ব্লিনকননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

## পাকিস্তানদা নুপী মরি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ২২ (এজেন্সী) :
পাকিস্তানগী নোর্থ ৱাজিরিস্তান দিষ্ট্রিক্টতা টেররিষ্টশিংনা নুপী মরি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ ৱাজিরিস্তান পুলিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, অফঘানিস্তানগা তাইনবা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মরু ওইবা টাউন অমা ওইরিবা মির অলিগী মনাক্তা নুপীশিং তোংবা গাড়ী অমদা মশক খঙদবা গনমেনশিংনা নোংমৈ কাপশিনখি। এন জি ও অমগী থবক তৌবা নুপীশিং অদু টেররিষ্টশিংনা অতম্মনা টার্গেট তৌরগা হাৎখিবনি। ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না, এটেক অদুদা চেন্নবা টেররিষ্টশিংগী খোঙ্গুল লিবা ওইনা মির অলি এরিয়াদা থিবা হুন্বা অমসুং ষ্ট্রাইক ওপরেসন চত্থখি।

থৌদোক অদুদা গাড়ী দ্রাইভর অদু শোকখি। এটেক অদু গ্রুপ নৎত্রগা মীওই অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি হায়রি। অফঘানিস্তানগা লোন্নবা নোর্থ অমসুং সাউথ ৱাজিরিস্তানগী ত্রাইবেল এরিয়াশিং অরিবা চৎনবীশিং ঙাকপগীদমক মমিং চৎলি লমদম অসিদা ইমুংগী অমদি খুন্নাইগী ঈকায়খুম্নবা কনবগী চৎনবী লৈ। নুপীশিংনা শেন্নবা মী য়াওদনা মপানদা থোক্লগা থবক ইনখাং তৌবদা চৎনবীনা অথিংবা থম্মী।

## য়ুগন্দাগী ওপোজিসন লিদর ৱাইননা মীখলগী রিজল্টকী মায়োক্তা থাখিবা কেস হন্দোক্লবা লেপখ্রে

কম্পালা, ফেব্রুৱারী ২২ (এজেন্সী) :
য়ুগান্দাদা হৌজিক হৌজিক ফম পায়রিবা য়োৱেরি মুসেভেনিনা মায় পাকখিবা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টগী মীখলগী রিজল্ট শীংনদুনা কোর্টতা থাখিবা কেস অমা হন্দোক্লগনি হায়না ওপোজিসন লিদর বোবি ৱাইননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



কেস অদুবু হিয়ারিং তৌরিবা সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিসশিং মীচং মীখাই নাই হায়রদুনা ৱাইননা মীখলগী রিজল্ট শীংনদুনা থাখিবা ৱাকৎ হন্দোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি।

কেপিটেল কম্পালাদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা বোবি ৱাইননা কেস অদু মখোয়গী কোর্টতগী হন্দোক্লবা লেপ্লে হায়খি। অশেংবা মিংনা রোবর্ট ক্যাগুলান্যি কৌবা ৱাইননা হৌখিবা জন্যুৱারীদা পাঙথোকখিবা মীখলগী রিজল্ট রিজেক্ট তৌখি অমসুং মহাক্কী লম্বানা মায় পাক্লিবদু মঙোন্দগী ভোট হুবদগীনি হায়খি।

মীয়াম্না পাম্নরবা পোপ ষ্টার অমা ওইরম্বদগী লোমেকর ওইরকখিবা মশাগী চহী ৩৯ শুরবা ৱাইননা পাক শন্না উখিবা ভাইওলেন্স য়াওনা মরম কয়া পীরদুনা রিজল্টশিং অদু চৎনহন্দনবা কোর্টতা তকশিনখি।

হান্না গুরিলা লুচিংবা অমা ওইরম্বা অমসুং কুমজা ১৯৮৫ তগী ইষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক অসিবু পাল্লকখিবা মুসেভেনিবু জন্যুৱারী ১৪ দা পাঙথোকখিবা মীখলদুদা মায় পাক্লে হায়না লাউথোরকখি। মীখলগী দেটাগী মতুং ইন্না মহাক্না অপূনবা ভোটকী চাদা ৫৯ ফঙখি অমসুং ৱাইননা চাদা ৩৫ ফঙখি।

লৈবাক অসিগী কোর্টশিং মনীং তম্না থবক তৌবা ঙমদে। জজশিং অসি মুসেভেনিগী অনিংবা অপাম্বগী মতুং ইন্না থবক তৌই হায়বা ময়েক শেংলে হায়না ৱাইননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

জুদিসরিগী স্পোক্সমেন সোলোমোন মুয়িটানা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি ৱাইননা মখোয়দা মরাল শিরকপদা অমদি মহাক্না কেস অদু মহাক্কী উকিলশিংগী খুত্থাংদা হৌনবী মতুং ইন্না থাদোকখ্রবা ৱারেপ লৌরকপা মতমদা মখোয়না তৌফম থোকপা তৌগনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মহাক্না তৌরিবসি, পোলিটিকেল, ষ্টেটমেন্ট অমা থোকপা খক্তনি, সুপ্রিম কোর্টকী রেকোর্দকী ওইনদি হৌজিকসু মখা তানা কেস অদু লৈরি হায়না স্পোক্সমেন অসিনা মখা তাখি।

## কাবুলদা টেররিষ্ট গেংগী মেম্বর ৫ ফারে

কাবুল, ফেব্রুৱারী ২২ (এজেন্সী) :
টালিবানগা মরী লৈনবা হক্কানি নেটৱার্ক অমসুং ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) গ্রুপকী অপূনবা টেররিষ্ট গেং অমগী অতোপ্পা মেম্বর মঙা অফঘান ইন্টেলিজেন্স কাঙবুনা নেস্নেল কেপিটেল কাবুলদগী ফারে হায়না নেস্নেল ইন্টেলিজেন্স এজেন্সিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা কনফর্ম তৌখ্রে।

হক্কানি অমসুং আই এসকী অপূনবা টেররিষ্ট নেটৱার্ক অমগী মেম্বরশিং ওইরিবা জবিদ, অহন্মদ মুরিদ, রোহুলাহ, অব্দুল হফিজ অমসুং অব্দুল জাবর হায়রিবা মীওই মঙা অসি হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ফাখিবনি। মীওইশিং অসি সহিদ মজারিগী গ্রান্দ মোস্ক, হমিদ কাজই ইন্টরনেস্নেল এয়রপোর্ট য়াওনা কাবুলগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিং পার্ৱার প্রোভিন্সকী বাগ্রাম এয়রফিল্ডদা রেকোট এটেকশিং চত্থখিবা অমদি অসিগুম্বা খুৎলাইশিং লোৎপা পুথোক পুশিন তৌবদা চেন্নে হায়না এজেন্সিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

মখোয় কাবুল সিটিগী পুলিস দিষ্ট্রিক্ট ১৭ তা ইন্টলিজেন্স পর্সনেল কাঙবুনা পরিং নাইনা অখন্নবা ওপরেসনশিং চত্থবদগী ফাখিবনি। কাবুলদা গ্রুপ অদুগী মরু ওইবা মেম্বর অহুম ফারে হায়না ফেব্রুৱারী ১২ দা অফঘান ইন্টেলিজেন্স এজেন্সিনা লাউথোকখি। মীশিং মিল্লিয়ন ৫ রোম লৈবা সিটি অসি হৌখিবা থা খরা অসিদা টার্গেট তৌদুনা মী হাৎপা অমদি পরিং নাইনা বোম কয়া পোকখায়খিবা মফম ওইরি।

## মিলিটরি এয়রক্রাফট কায়বদা মীওই ৭ শিরে

অবুজা, ফেব্রুৱারী ২২ (এজেন্সী) :
নাইজিরিয়াগী মিলিটরি প্লেন অমা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা রনৱে য়ৌরমদাইদা কায়বদগী মদুদা তোংলিবা মীওই ৭ শিরে হায়না লৈবাক অসিগী এয়রফোর্সকী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা এক্সিদেন্ট অদু করি মরমদগী থোকখিবনো হায়বসি খঙদ্রিবা ওইরবসু প্লেন অদুগী পায়লোটনা ইঞ্জিন ফেল ওইরে হায়রমখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। এয়রফোর্সকী স্পোক্সমেন ইবিকুনলে দারামোলানা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, নাইজিরিয়ন এয়রফোর্স (এন এ এফ) কী বিচক্রাফট কিংএয়র বি ৩৫০ আই এয়রক্রাফট অদু ইঞ্জিন ফেল ওইরে হায়খিবা মতুংদা অবুজা এয়রপোর্টতা হল্লকপদা কায়খি। অৱাবগী মশকনি প্লেন অদুদা তোংলিবা মীওই তরেৎমক ক্রাস অদুদা শিখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সোসল মীদিয়াদা থাগৎপা ভিদিওদা মৈ চাকপা মুথৎনবা হোৎনবদা ৱাটর কেনন শীজিন্নবা অমসুং অকোয়বদা মীয়াম্না য়েংনবা উখি। প্লেন অদু কিদনেপ তৌখিবা মীওই ৪২ কন্ননবগীদমক্তা নোরর্দন ষ্টেট নাইজরগী মিন্না তম্না পাইখিবনি। ক্রাস অদু খুদক্তা থিজিন্নবা এয়র ষ্টাফকী চীফনা ওর্দর তৌখ্রে। ৱিটনেসশিংনা ফোঙদোকখিবদা, মখোয়না অহৌবা মখোল অমা তাখি অমসুং এয়রক্রাফট অদু মৈরি কয়া থোক্লা কায়খি। ভাইস মার্সেল দারামোলানা বি বি সীদা হায়, যুমশকৈশা নুমিত্তা কাগারা টাউনদা লৈবা বোর্দিং স্কুল অমদগী ফাখিবা মহৈরোয়শিং অদু ষ্টাফ য়াওনা মীওই ৪২ রেস্ক্যু তৌনবগী মিসন অমদা পায়খিবদা ইঞ্জিন ফেল ওইবদগী হল্লকখিবনি।

## রশিয়াদা অথিংবা কয়া থম্নবা জর্মনিনা ঈ য়ুদা তকশিনখ্রে



ব্রসেলজ, ফেব্রুৱারী ২২ (এজেন্সী) :
ক্রেম্লিনগী ক্রিটিক অলেক্সি নভালনিবু জেলদা থম্বা অমসুং প্রো-দিমোক্রেসি এক্টিভিষ্টশিং ফাবা পুনবগী থবকশিংদা চেন্নবা রশিয়ন ওফিসলশিংগী মায়োক্তা অথিংবা থম্নবা শেম শানবা জর্মন ফোরেন মিনিষ্টর হৈকো মাসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ঈ য়ুগী মহাক্কী লেংমান্নবশিংদা তকশিনখ্রে।

বর্লিনগী আপীল অসিনা মথং থাদা রশিয়া ওফিসশিংগী মায়োক্তা অথিংবশিং থম্নবগী লম্বী ফাৎখ্রে। অসুম্না অথিংবা কয়া থম্বা হায়বসি রশিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনদা দিবেট অমসুং প্রোটেষ্ট য়াহনগদবনি হায়বসি খঙহনবা মেসেজ অমা ওইবা য়াই হায়না মেম্বর ২৭ লৈবা ব্লোক অসিনা হায়খি।

ব্রসেলজদা থুংলবা মতুংদা ৱা ঙাঙখিবা মাসনা হায়খি, অহেনবা অথিংবশিং থম্নবা শেম শাবা অমসুং অকক্লবা মীওইশিংগী লিষ্ট অমা শেমদোকপা হায়বসি মহাক্কী লৈবাক্কী অপাম্বনি। নভালনিবু জেলদা লৈবগী চৈরাক পীবদা নত্তনা লেভর কেম্প অমদা লৈরগা টর্ম অসি সর্ভ তৌনবগী চৈরাক লাউথোকখিবা অসিনা শেল থুমগী অথিংবা কয়া থল্লগা প্রেসর পীবগী মথৌ তাহল্লি হায়না মাসনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

এক্সপার্টশিংনা লিগেল চেলেঞ্জশিং থেংনবা য়াবগী ইভিদেন্সশিং খোমজিল্লবা মতুং মথং থাদগী ঈ য়ুনা পুটিনগী মীচংশিংগী এসেটশিং ফাজিনবগা লোয়ননা চথোক চৎশিনদা অথিংবা থল্লগনি হায়না দিপ্লোমেটশিংনা থাজে। ঈ য়ুগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ব্রসেলজদা নভালনিগী চীফ ওফ ষ্টাফ লিওনিদ ভোলকোভনা উনদুনা রশিয়াবু চৈরাক ফঙহন্ননবগী করি করম্বা খোঙথাংশিং লৌখৎকদগে হায়বা খন্নখি।

লৈবাক অসি কুমজা ২০১৪ দা ক্রিমিয়া লৌশিনখিবদগী নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা শেল থুমগী অথিংবশিং থমদুনা লাক্লবনি। ঈ য়ুগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিনকনগা ভিদিও কনফরেন্স অমসু পাঙথোক্কনি।

## সাইনো-য়ু এস মরীদা লৈরিবা অশোয়বশিং শেমদোক্লবগী ৱাফম হৌদোকখ্রে




বৈজিং, ফেব্রুৱারী ২২ (এজেন্সী) :
য়ু এস অমসুং চাইনাগী মরীদা লৈরিবা অশোয়বশিং নৌনা শেমদোক্লবদি লৈবাক অনীনা ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং কোরোনা ভাইরস পেন্দমিক্কুম্বা ইশ্যুশিংদা পুন্না থবক তৌমিন্নবা য়াগনি হায়না চাইনাগী সিনিয়র দিপ্লোমেট ৱাং য়িনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনিজ ষ্টেট কাউন্সিলর অমসু ওইরিবা ফোরেন মিনিষ্টর ৱাংনা হায়খি, য়ু এসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ত্রম্পকী মখাদা চহী কয়ামুক্কী মনুংদা লৈবাক অনীগী মরী খ্বাইদগী নেম্বা থাক্তা লৈরকখ্রবা মতুংসিদা বৈজিংদা ৱাশিংটনগা কন্সত্রক্তিভ দাইলোগ নৌনা চত্থনবা শেম শাদুনা লৈ। ৱাংনা ৱাশিংটনদা চাইনাগী পোৎ চৈশিংদা চৎনহল্লিবা টারিফশিং লৌথোক্লবা মরম চাদনা চাইনিজ টেক সেক্টর নমথনবা হোৎনবগী থৌওং লেপ্পবা তকশিনখি অমসুং অসিগুম্বা খোঙথাংশিং অসি লৌখৎলবদি লৈবাক অনীগী মরক্তা কোওপরেসন পীনবগী মথৌ তাবা কন্দিসনশিং লাকহল্লগনি হায়খি।

ৱাংনা ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা স্পোন্সর তৌবা ফোরম অমদা ৱা ঙাঙদ্রিঙৈগী মমাঙদা ওফিসলশিংনা কুমজা ১৯৭২ গী পিং পোং দিপ্লোমেসিগী ফুটেজ থাখি। টেবল টেনিস প্লেয়রশিং এক্সচেঞ্জ তৌনদুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট রিচার্দ নিক্সননা চাইনাদা খোঙচৎ অমা চৎনবগী লম্বী ফাৎখিববু পিং পোং দিপ্লোমেসি হায়না খঙনদুনা লাকখি।

চাইনাগী মরু ওইবা ইন্টরেষ্টশিং ঈকায়খুম্নবা, রুলিং কম্যুনিষ্ট পার্টিবু চৈবা লেপ্পবা, বৈজিংগী মনুংগী এফেয়র্সতা খুৎ থিংজিনবা লেপ্পবা অমসুং টাইৱানবু মনীং মখা তমহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা সেপ্পরেটিষ্ট ফোর্সশিংগা লৌতুনবা লেপ্পবা ৱাংনা ৱাশিংটনদা তকশিনখি।

ৱাংনা মখা তানা হায়খি, হৌখিবা চহী খরা অসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা থাক খুদিংমক্তা লৈবাক অনীগী দাইলোগ খুদিংমক থদৎখ্রে। য়ু এসকা লৌথুপ লৌকোয় লৈহন্দনা পাউ ফাওননবা অমসুং প্রোব্লেমশিং সোলভ তৌনবগী পান্দমগা লোয়ননা দাইলোগ চত্থনবা ঐখোয়না শেম শারে। পুক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইবা খোঙথাং অমা ওইনা হন্দক্তা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংগা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগা ফোনদা ৱারী শান্নখিববুসু ৱাংনা পনখি।

## ইন্সপেক্সন লেপহনবনা দিল খোঙ্গাওনদে

দুবাই, ফেব্রুৱারী ২২ (এজেন্সী) :
য়ু এনগী ইন্সপেক্টরশিংনা অনিংবা অপাম্বগী মতুং ইন্না খুদক খুদক্তা ইন্সপেক্টসন পাঙথোক্লম্বা অদু ফেব্রুৱারী ২৩ দা লোয়শিনহন্নবা ইরাননা ৱারেপ লৌরক্লিবসিনা লৈবাক অসি কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিল থাদোক্লবনি হায়বা য়ারোই তৌইগুম্বসুং পেক্ট অসি কন্নবগীদমক্তদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা টেহরানদা থল্লিবা অথিংবশিং লৌথোক্কদবনি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মোহন্মদ জবাদ জরিফনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। হৌখিবা চহীদা ইরানগী হার্দলাইন লোমেকরশিংনা পাস তৌখিবা লো অমগী মতুং ইন্না ফেব্রুৱারী ২৩ দগী আই এ ঈ এগী ইন্সপেক্টরশিংনা লাউথোক্লবা ন্যুক্লিয়র সাইটশিংদমক য়েংশিনগদবনি।

## ডোক্টরশিংগী ষ্ট্রাইক্না ভেক্সিনেসনদা অকায়বা পীগদ্রা হায়বগী অকিবা লৈরে




সিওল, ফেব্রুৱারী ২২ (এজেন্সী) :
ক্রাইমদা চেন্নবদগী কনভিক্ট তৌরবা ডোক্টরশিংগী লাইসেন্স কক্কদবা লেজিসলেসন অমগী মায়োক্তা ষ্ট্রাইক তৌগনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী ডোক্টরশিংনা কিহনখিবগা লোয়ননা চয়োল অসিদগী হৌগদৌরিবা লৈবাক অসিগী কোরোনা ভাইরস ভেক্সিনেসন দ্রাইভতা অকায়বা পীরকপা য়াবগী অকিবা লৈরে।

হেল্থক্যের ৱার্করশিং ইরাই নুমিত্তগী অষ্ট্রাজেনেকা ভেক্সিনগী অহানবা দোজশিং কাপ্পবা লেপনখ্রবনি। সাউথ কোরিয়ানা নবেম্বর ফাওবগী মনুংদা হর্দ ইম্যুনিটি লাকহন্নবা হোৎনবদা জুলাই ফাওবগী রিস্ক ৱাংবা মীওই মিল্লিয়ন ১০ ভেক্সিন কাপ্পবা থৌরাং তৌরি।

তৌইগুম্বসুং ডোক্টরশিংগী খ্বাইদগী চাওবা গ্রুপ্পিং ওইরিবা কোরিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (কে এম এ) না হৌখিবা চয়োলগী অরোইবদা চেকশিন ৱা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা পর্লিয়ামেন্টনা জেল টর্ম ফঙলগদবা ডোক্টরশিংগী লাইসেন্সশিং রিভোক তৌগদবা বিল অমা পাস তৌবা তারবদি মখোয়না ষ্ট্রাইক তৌগনি। বিল অদুনা ইচম চম্বা, মরাল লৈজদবা ডোক্টর কয়াগী লাইসেন্স ককহনখিবা য়াই হায়না এসোসিয়েসনগী স্পোক্সমেন কিম দে-হানা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST

**Ref :- Mut. Case No. 68/SDC/IW/LC of 2021**

Sanasam Premananda Singh S/o (L) Sanasam Brajamani Singh of Lamding Cherapur, P.O. Wangjing P.S. Thoubal. -Petitioner

-Vs-

(Late) Sanasam Brajamani Singh S/o S. Rameshwor Singh of -do- - Opposite Party

**/ NOTICE**

Lilong Chajing the 22nd Feb. 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি এস দি সী লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুন নং ৬৫ - ওইনাম লৈকায়গী অরিবা পাট্টা নং ৪৬, অনৌবা পাট্টা নং ৪৪/৩৬৪, দাগ নং ১৫১/৪৭৫, এরিয়া ০.২০২০০ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিদা পাল্লিবা কো-পাট্টাদার নং (২) সনসম ব্রজমনি সিংহ পীং রামেশ্বর সিংহ সাং লমদিং চেরাপুর অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী ফংফম থোকপা দাগকী নোংপোক্তা ০.১০১ একর অসি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা লৌফম অসিগী মরীদা আপতি তৌনীংবা মরী লৈনবা মীওইশিংনা 'নোটিশ' অসিনা পাউচে অসিদা হাপ্পা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা আপতি তৌরদ্রগদি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা লৌরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Lilong Chajing Imphal West**

HL-P/9031/23

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 147/AS&SO/TBL, dt: 12-02-2021**

1. Waikhom Manichandra Singh S/o (L) Chandras Singh of Athokpam Awang Leikai.
2. -do- Sanatomba Singh S/o (L) -do- of -do-
3. -do- Dinesh Singh S/o (L) -do- of -do-

-Vs-

(Late) Waikhom Chandras Singh S/o (L) Ibomcha Singh of Athokpam Awang Leikai.

**/ NOTICE**

22/02/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩২ - অথোকপম পাট্টা নং ৫৭২ (অরিবা) ৫৩২ (অনৌবা) দাগ নং ৫১৯৩ এরিয়া .৩৮০০ হেক্তর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মচাশিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইহাংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎলবা য়াগনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপ্তি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/9038/23

## / IN THE COURT OF THE DISTRICT JUDGE, IMPHAL WEST, MANIPUR

**Original (Succession) Suit Case No.3 of 2021**

Smt. Takhellambam Madhuri Devi - Plaintiff.

-Versus-

Shri Naorem Surjanath Singh and 2 (two) others. - Defendants

To

All the parties interested.

WHEREAS, the above petitioner have instituted the above suit against the defendants, all the interested persons are hereby summoned to appear before this court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all material questions relating to the suit on 1st day of March 2021 at 10:30 O'clock in the forenoon, to answer the claim, failing which the suit will be disposed of ex-parte. Take notice that in default of your appearance on the day before mentioned that the suit will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the order of this Court on this 22nd day of February 2021.

By : Advocate

Sd/- **Sr. Sheristadar**
District & Sessions Court,
Imphal West, Manipur

HL-P/9034/23

## ম্যান্মারগী জুন্টাবু মীখল শোয়দনা পাঙথোকহন্নবগী থৌরাং অমা য়ানবা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুমথংনবশিংদা তকশিনখ্রে

জকার্টা, ফেব্রুৱারী ২২ (এজেন্সী) :
ম্যান্মারগী জুন্টাবু মীখল শোয়দনা পাঙথোক্কনি হায়বা ৱাশক ঙাকহনগদবা মিলিটরি কু অদুগা মরী লৈনবা এক্সন প্লান অমা য়াহন্নবা ইন্দোনেসিয়ানা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা তকশিল্লি হায়না খোঙথাং অদুগী মরমদা খঙবা সোর্স অহুম্না ফোঙদোকখ্রে।




সোর্সশিং অসিগী মতুং ইন্না, ইন্দোনেসিয়াগী থৌরাং অদুদা ম্যান্মারগী মীখল অদু মওং মরিল তানা পাঙথোকই নৎত্রগা পাঙথোক্তে লোয়ননা পার্টি কয়ানা শরুক য়াই নৎত্রগা য়াদে হায়বসি খঙনবা মদু মোনিটরশিংনা য়েংশিনগদবনি।

লমদম অদুগী খ্বাইদগী চাওবা লৈবাক্না পুথোরক্লিবা প্রপোজেল অদুদা ইলেক্তেদ লিদর ওং সান সু চিবু খুদক্তা থাদোক্লবা অমসুং নবেম্বর ৮ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা মহাক্কী পার্টিনা চাওনা মায় পাকখিবদু শকখঙনবা প্রোটেষ্টরশিং অমসুং নোংচুপলোমগী লৈবাক খরনা তৌরিবা দিমান্দশিংগী মতাংদদি পন্দে। মশক মমিং ফোংদোক্লিংদবা সিনিয়র ওফিসল অনীনা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি, দিপ্লোমেটিক লম্বীদা য়ুম্ফম ওইবা সোল্যুসনদা মীশি মীনা থোকপা থিংবা অমসুং মিলিটরিবু মীখল নৌনা পাঙথোক্লগা ৱিন্নর অদুদা পৱার শিন্নগনি হায়বা ৱাশক ঙাকহনবদা মীৎয়েং থমগদবনি।

মীখল নৌনা পাঙথোক্কনি হায়বা জুন্টাগী ৱাশক্তা প্রোটেষ্টরশিংনা কন্না য়ানিংদবা উৎখি অমসুং মমাংগী চহীদা পাঙথোকখিবা মীখলগী রিজল্ট শকখঙগদবনি হায়খি। নবেম্বরগী মীখলদা নমথাক তৌবা কয়া য়াওখি হায়বা অর্মীগী ৱাফম ইলেক্তরেল কম্মিসন্না রিজেক্ট তৌখ্রবা মতুংদা অর্মীনা কু চত্থখিবনি। মীখল শোয়দনা পাঙথোক্কনি হায়না ৱাশকচরবসু অর্মীনা অনৌবা মীখলগী মতম পীবা লৈত্রি।

য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিল, চাইনা, য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমদি অতৈ কয়ানা এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিঅন) রিজনেল গ্রুপিংদা ক্রাইসিস অদুবু ৱাতেম্বদা মতেং পাংনবা তকশিনখ্রবনি।

## BEFORE THE OATH COMMISSIONER: MANIPUR AT IMPHAL / AFFIDAVIT

I, **Priyanka Jain,** age about 27 years, D/o Pradeep Kumar Patni by occupation house girl, resident of Mahalaxmi Stores, Thangal Bazar, P.O. Imphal, P.S. City, District Imphal West, Manipur, do hereby make oath and solemnly affirm as follows:

1. That, I am born, brought up and permanently residing in the state of Manipur and that I am a citizen of India. This is true to my knowledge.
2. That, I am known and addressed as Priyanka Jain as well as Priyanka Patni that in all my official records, i.e. Aadhaar Card, Driving Licence, Electoral Roll, Election I-Card, PAN Card, LIC Policy, Bank A/C, etc., my correct name has been recorded as Priyanka Jain however, in HSLC Examination Certificate my other nick name Priyanka Patni has been entered through inadvertence which is not my correct and real name. These are true to my knowledge.
3. That, Priyanka Jain is my correct and real name. This is true to my knowledge.

I, the above named deponent, do hereby solemnly declare and affirm that the contents in the above paras 1, 2 and 3 of this affidavit are all true to my knowledge and nothing material has been concealed thereof.

Dated, Imphal
The 22nd February, 2021

Deponent
**Priyanka Jain**

By : Advocate
**Th. Pramotkumar Singh**
Oath Commissioner (Judicial)
Imphal West, Manipur
Regd. No. 434 of 2020

HL-P/9032/23

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST

**Ref :- Mut. Case No. 67/SDC/IW/LC of 2021**

Konjengbam Inakhunbi Devi W/o Nepram Sanajaoba Singh & D/o (L) K. Tombi Devi of Langthabal Kunja Awang Leikai. -Petitioner

-Vs-

1) Konjengbam Biren Singh S/o (L) Mangoljao Singh of Langthabal Kunja. (2) (Late) Konjengbam Tombi Devi W/o (L) Manaobi Singh of -do- - Opposite Parties.

**/ NOTICE**

Lilong Chajing the 22nd Feb. 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি এস দি সী লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুন নং ৬৭ - লংথবাল কুঞ্জগী অরিবা পাট্টা নং ৬৪, অনৌবা পাট্টা নং ৬৬, দাগ নং ২২৫, ২২৩, ২২৪, এরিয়া মথংশিংনা ০.১৪০০০ একর, ০.১১০০০ একর অমসুং ০.১৭০০০ একর চাউবা ইঞ্জোলশিং অসিদা পাল্লিবা কো-পাট্টাদার নং (২) কোঞ্জেংবম তোম্বী দেবী পতি মৃত মনাওবী সিংহ সাং লংথবাল কুঞ্জ অসি মৃ: ওইখ্রবা মরম্না মহাক্কী ফংফম থোকপা শরুক অদু মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঞ্জোলশিং অসিগী মরীদা আপতি তৌনীংবা মরী লৈনবা মীওইশিংনা 'নোটিশ' অসিনা পাউচে অসিদা হাপ্পা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা আপতি তৌরদ্রগদি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা লৌরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Lilong Chajing Imphal West**

HL-P/9031/23